# কোভিশিল্ড ভেক্সিননা কোভিদ ইনফেক্সনদগী চাদা ৯৩ ঙাকথোকপা ঙমই, শিবগী চাং চাদা ৯৮ হন্থহল্লি : ষ্টদি

ন্যু দিল্লী, জুলাই ২৮ (এজেন্সী):
সিরম ইন্সটিট্যুট ওফ ইন্দিয়াগী কোভিশিল্ড ভেক্সিননা শাথিরবা কোরোনাভাইরসতগী চাদা ৯৩ ঙাকথোকপা ঙমই অমসুং শিবগী চাং চাদা ৯৮ হন্থহল্লি হায়না আর্ম ফোর্সেস মেদিকেল সর্ভিসেস (এ এফ এম এস)না পাঙথোকপা ষ্টদি অমনা হায়রি।



মিনিষ্ট্রি ওফ দিফেন্সনা লৈবাকপোকপা নুমিৎতা ফোঙদোরকখিবদা, ষ্টদি অদুনা কোভিশিল্ড ভেক্সিন কাপ্লবা ইন্দিয়ন আর্ম ফোর্সেসকী হেল্থক্যের ৱার্কর অমসুং ফ্রন্টলাইন ৱার্কর লাখ ১৫.৯৫ এনালাইসিস তৌখি।

ইন্দিয়ানা চহী অসিগী জন্যুৱারী ১৬তগী ভেক্সিনেসন দ্রাইভ হৌখি। মথক্তা পল্লিবা হেল্থক্যের অমসুং ফ্রন্টলাইন ৱার্কর লাখ ১৫.৯৫ অসি কোভিশিল্ড ভেক্সিন হান্না কাপখিবশিংগী মনুং চল্লি। দিফেন্স মিনিষ্ট্রিগী ষ্টেটমেন্ট অমনা হায়, ষ্টদি অসিগী মতুং ইন্না, অনৌবা ইনফেক্সন চাদা ৯৩ হন্থখি অমসুং লায়না অসিনা মী শিহনবগী চাং চাদা ৯৮ হন্থখি। মসি হৌজিক ফাওবদা কোভিদ-১৯ ভেক্সিনগী ইফিকেসিগা মরী লৈননা পাঙথোকপা মালেমগী খ্বাইদগী চাউবা ষ্টদিনি।

মিনিষ্ট্রি অসিনা হায়, ষ্টদি অদুদা শরুক য়ারিবা অয়াম্বা হান্না লায়না ইচেন চেন্দবা মশ মউ ফরিবা নুপাশিংনি। ষ্টদি অদুদা অঙাংশিং অমদি অহল ওইরবশিংদি য়াওখিদে।

এ এফ এম এসকী দিরেক্টর জেনরেল ভাইস এদমিরেল রাজাত দত্তনা হায়, ষ্টদি অদু কোভিদ মোনিটরিংগীদমক হেন্না মতীং লৈহল্লবা হৌজিক লৈরিবা আর্মদ ফোর্সেস হেল্থ সর্ভিলেন্স সিষ্টেমগী দেটাদা পাঙথোকপনি। সর্ভিলেন্স সিষ্টেম অদুদা অহানবা অমসুং অনীশুবা দোজ ভেক্সিনেসন টেষ্টতা কোভিদ-১৯ পোজিটিভ ওইখিবা তারিখশিং অমসুং কোভিদকা মরী লৈননা শিখিবশিংগী দেটা য়াওখি। দেটা অদুবু চেকশিন্না এনালাইজ তৌখি।

লৈবাক অসিদা পেন্দমিক্কী অনীশুবা ৱেভ লাক্ত্রিঙৈদা ষ্টদি অসি পাঙথোকখিবনি। ষ্টদি অসিদা শরুক য়ারিবা মীওই লাখ ১৫.৯৫গী মনুংদা চাদা ৮২ ওইরিবা ভেক্সিন মপুঙ ফানা কাপ্লবা মীওইশিংগী মরক্তা মীওই ৭তমক লায়না অসিনা শিহনখি হায়না ষ্টেটমেন্ট অদুনা ফোঙদোরক্লি।

# ব্লিনকননা ইন্দিয়া খোঙচৎতা দলাই লামাগী মীহুৎশিংগা উনখ্রে



ন্যু দিল্লী, জুলাই ২৮ (এজেন্সী):
চাইনাবু খোয়রাঙ খোয়শাউনহনগদবা খোঙথাং অমদা ইন্দিয়াদা খোঙচৎ অমা লাক্লিবা য়ু এস সেক্রেটরি ওফ ষ্টেট এন্টোনি ব্লিনকননা য়ুমশকৈশা নুমিৎতা টিবেটকী স্পিরিচ্যুএল লিদর দলাই লামাগী মীওইশিংগা উন্নখ্রে।

ব্লিনকননা লোইদা লৈবা টিবেটান গভর্ণমেন্ট হায়নসু খঙনবা সেন্ত্রেল টিবেটান এদমিনিষ্ট্রেসন (সী টি এ)গী মীহুৎ ঙোদুপ দোংচুংগা ঙাইহাক উনখি। কুমজা ১৯৫০দা চাইনিজ ট্রুপশিংনা টিবেট লৌশিনখি। মদুবু বৈজিংনা ইংনা-চীক্লা নীংতম্বা ফংহনবনি হায়না ফোঙদোকখি। চাইনিজ লৈঙাক্কী মায়োক্তা ইহৌ অমা শাগৎপদা মায় পাকখিদ্রবা মতুং কুমজা ১৯৫৯দা দলাই লামা ইন্দিয়াদা চেন্দুনা লৈবাক অসিদা লোই ওইনা লৈখি।

চাইনাগী হ্যুমেন রাইটস রেকোর্দ কন্না-কন্না চৈ থাংনরিবা মরক হৌখিবা থা খরা অসিদা মালেমনা সী টি এ অমসুং টিবেটান এদভোকেসি গ্রুপশিংবু শৌগৎনরকখি।

লোইদা লৈরিবা টিবেটান গভর্ণমেন্টকী মকোক ওইরম্বা লোবসাং সাঙ্গেনা হৌখিবা নভেম্বরদা হ্বাইট হাউসতা চৎখি। মদু চহী ৬০গী মনুংদা টিবেটান লিদর অমনা হ্বাইট হাউসতা চৎপা অহানবা খোঙচৎনি।

থা অমা লৈরগা য়ু এস কোংগ্রেসনা টিবেট পোলিসি এন্দ সপোর্ট এক্ট পাস তৌখি। টিবেটানশিংনা দলাই লামাগী মহুৎ শিনবা খনবা য়াবগী হক অমসুং টিবেটকী কেপিটেল লাসাদা য়ু এস কোন্সুলেট অমা থম্বগী ৱাফম ফোঙদোক্লি।

দলাই লামানা কুমজা ২০১৬তা ৱাশিংটনদা মতমদুগী য়ু এস প্রসিদেন্ট বারাক ওবামা উনখিবা মতুংদা ব্লিনকননা ইন্দিয়াদা লাকপদা দোংচুংগা উনরিবসি টিবেটান লিদরসিপনা য়ু এসকী মকোকথোংবা ওফিসল অমা উনবগী মরুওইবা থৌদোক্লি হায়না লৌনরি।

হিরম অসিগী মতাংদা করি লৈবগে হায়না হংবদা চাইনিজ ফোরেন মিনিষ্ট্রিনা খুদক্কী ওইনা ৱাফম অমত্তা ফোদোরকখিদে। বৈজিংনা টিবেটপু চাইনাগী শরুক অমনি হায়না ক্লেম তৌবগা লোয়ননা দালাই লামাবু খুদোংথীনিংঙাই ওইরবা সেপরেটিষ্ট অমনি হায়না ফোঙদোক্তুনা লাক্লি।

য়ু এস প্রসিদেন্ট জো বাইদেনগী এদমিনিষ্ট্রেসনদা য়াওরবা মতুং ইন্দিয়াদা লাকপা মহাক্কী অহানবা খোঙচৎ অসিদা ব্লিনকননা য়ুমশকৈশা নুমিৎতা ইন্দিয়াগী মহাক্কা লেংমান্নবা মিনিষ্টর ওফ এক্সটর্নেল এফেয়র্স সুব্রমনিয়ম জায়শঙ্কর অমসুং অতৈ ওফিসলশিংগা উন্নখি। মহাক য়ুমশকৈশগী অথেংবদা প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিগা উনগনি।

খোঙচৎ অসিদা নাকল অনীনা কোভিদ ভেক্সিন সপ্লাই, অফঘানিষ্টানগী সিক্যুরিটিগী ফিভম অসুং ইন্দিয়াগী হ্যুমেন রাইট্‌স রেকোর্দ খন্নরবা য়াই।

# বাসাভারাজ বোম্মাই কর্নাটাকাগী চীফ মিনিষ্টর ওইনা ৱাশক লৌখ্রে

বেঙ্গলুরু, জুলাই ২৮ (এজেন্সী):
হান্নগী চীফ মিনিষ্টর বি এস য়েদিয়ুরাপ্পানা খ্বাইদগী থাজবা মীশকশিংগী মনুংদা অমা ওইরিবা মশাগী চহী ৬১ শুরবা বাসাভারাজ বোম্মাই য়ুমশকৈশা নুমিৎতা রাজ ভবনদা কর্নাটাকাগী ২৩শুবা চীফ মিনিষ্টর ওইনা ৱাশক লৌখ্রে।

লিঙ্গায়টনা দোমিনেট তৌবা নোর্থ কর্নাটাকাগী হাভেরি দিষ্ট্রিক্তা লৈবা শিগাওন কন্সটিট্যুএন্সিদগী অহুল্লক এম এল এ ওইনা থাগৎলক্লবা বোম্মাই মমাংগী কেবিনেটতা হোম মিনিষ্টর অমসুং লো এন্দ পার্লিয়ামেন্টরি এফেয়র্স মিনিষ্টর ওইখি। মহাকপু গভর্নর থাৱারচান্দ গেহহোটনা ওফিস পায়বা অমসুং অরোনবা ঙাকপগী ৱাশক লৌখি। থৌরম অদুদা শরুক য়াখিবা বি জে পিগী সিনিয়র লুচিংবশিংগী মনুংদা মহাক্কী মমাঙদা ফম অসি পায়খিবা য়েদিয়ুরাপ্পা, সেন্ত্রেল ওবজার্ভর ওইনা লাকপা য়ুনিয়ন এদ্যুকেসন মিনিষ্টর ধর্মেন্দ্র প্রধান অমসুং বি জে পিগী নেসনল জেনরেল সেক্রেটরি অমসুং ইন-চার্জ অরুন সিংহ য়াওখি। মহাক্কী সপোর্টরশিংসু থৌরম অদুদা তিনখি।

বোম্মাইনা কর্নাটাকাগী চীফ মিনিষ্টর ওইরমখিবা লৈখিদ্রবা মহাক্কী অপোকপা সোমাপ্পা রায়াপ্পা বোম্মাইনা ষ্টেট অসিগী টোপ পোজিসন অসি পায়খিবা মতুং চহী ২৩ লৈরমখি।

কুমজা ২০২৩দা মথংগী এসেমব্লি মীখল পাঙথোক্কদৌরিবা ষ্টেট অসিদা বি জে পিগী ফিভম ফগৎহন্নবা অমসুং মথং চহী ২০২৪দা পাঙথোক্কদবা লোক সভা মীখলগীসু য়েংদুনা খরা নহা ওইরিবা মীওই অমবু ফম অসি পায়হন্নবগীদমক্তা বি জে পি সেন্ত্রেল হায় কম্মান্দনা মশাগী চহী ৭৮ শুরবা য়েদিয়ুরাপ্পাবু মফম থাদোকহনখিবনি।

ইচম চম্বা আর এস এস প্রচারক অমা ওইরম্বদগী ষ্টেট অসিগী চীফ মিনিষ্টর মরিরক ওইরকখিবা, অদুবু চহী মঙাগী টর্ম মপুঙ ফাখিদবা লিঙ্গায়ট ষ্ট্রোংমেন য়েদিয়ুরাপ্পা মহাক্কী গভর্ণমেন্ট চহী অনী মপুঙ ফাবা নুমিৎ ওইরিবা নিংথৌকাবদা রিজাইন তৌখি।

য়েদিয়ুরাপ্পানা লাক্লিবা মীখলশিংদা বি জে পিনা চাউনা মায় পাক্লবা মহাক্না অঙম্বা থাক্তা হোৎনগনি হায়না ফোঙদোকখি।

# খঙহৌদনা ইচাও থোক্লকপদগী বি আর ওগী ৪ য়াওনা মীওই ৯ মাঙখ্রে

শিমলা, জুলাই ২৮ (এজেন্সী):
য়ুমশকৈশগী অঙনবদা হিমাচল প্রদেশকী অইংবা দিষ্ট্রিক্ট লাহুল-স্পিটিদা খঙহৌদনা ঈশিং থুল্লকপদগী মীওই ১ শিখ্রে অমসুং বোর্দর রোর্দস ওর্গনাইজেসন (বি আর ও)গী মীওই মরি য়াওনা মীওই মাপল ঈশিংনা চেন্থখ্রে হায়না ওফিসলশিংনা ফোঙদোরক্লি।

ক্লাউদবর্ষ্ট অমা থোক্লকখিবগা লোয়ননা দিষ্ট্রিক্ট হেদক্বার্টর্স কেলোংদগী কিলোমিটর ১৫ রোম লাপ্লা লৈবা উদয়পুর সবদিভিজনদা তুরেল মচা অমা খঙহৌদনা ইমায় পাথোক্তুনা ইচাউ থোক্লকখিবনি।

সুপরিন্টেন্দেন্ট ওফ পুলিস মানব ভর্মানা ফোনগী খুথাংদা ফোঙদোরকখিবদা, থিবা খঙদ্রিবা মীওইশিংদুগী মনুংদা বি আর ওগী মীওই ৪ অমসুং টেলিকোম কম্পেনি অমগী লেবরর ২ য়াওরি। মখোয় পাঙ্গি-কিল্লার তম্না গাড়ি অমদা তোংদুনা চৎলিঙৈদা খঙহৌদনা ইচাউগী ঈশিংনা চেনখিবনি। থৌদোক অদুদা শোকখিবা মীওই অমদি কুল্লু টাউনদা লৈবা গভর্ণমেন্ট হোস্পিটালদা লাইকন্নখি। অতৈ মীওই ৩ রেস্ক্যু তৌখি।

লেন্দস্লাইদ চাউনা থোক্তুনা মনালি-লে হায়ৱেসু থিংজিনখি। টুরিষ্টশিং য়াওনা গাড়ি কয়া পন্দূনা লৈনখি। মন্দি য়ৌদ্রিঙৈ মফম কয়াদা লেন্দস্লাইদ থোক্তুনা মন্দি-কুল্লু-মনালি নেসনল হায়ৱেসু চান্দিগরগা ফাওনবা ঙমখিদে। পব্লিক টান্সপোর্ট অমসুং টুরিষ্ট ভেহিকল কয়া পন্দূনা লৈনখি।

চৈরকসিদা, গভর্ণমেন্টনা টুরিষ্টশিং অমসুং লোকেলশিংগীদমক্তা এদভাইজরি অমা থোক্তুনা তুরেল মপান অমদি খুদোংথীনিংঙাই ওইবা মফমশিংদা চত্তনবা পাউতাক পীখ্রে।

# মহৈরোয় অমা শিখিবগী মতাংদা সী বি আইনা থিজিনবা হৌখ্রে

লক্ষনৌ, জুলাই ২৮ (এজেন্সী): অমেথিদা লৈবা জৱাহর নভোদায়া ভিদ্যালায়া (জে এন ভী)দা ক্লাস নাইন তম্লিবা মহৈরোয় অমা মথোঙ মরম খঙদনা শিখিবগী মতাংদা সেন্ত্রেল ব্যুরো ওফ ইনভেষ্টিগেসননা থিজিনবা হৌখ্রে।

কুমজা ২০১৮গী জন্যুৱারী ১৪দা মহৈরোয় অভয় প্রতাপ সিংহগী হকচাং রেলৱে ট্রেক্তা তারম্বা থেংনখি। থৌদোক অদুগা মরী লৈননা সী বি আইনা লৈবাকপোকপা নুমিৎতা মী হাৎপগী কেস অমা রেজিষ্টর তৌখি।

মহাক স্কুল হোষ্টেলদগী কিদনেপ তৌরগা হাৎলবা মতুংদা রেল ট্রেক্তা হুন্দোক্লম্বনি হায়না অভয়গী মমা-মপানা মতমদুদা এলিগেসন তৌখি। অভয়গী হকচাং ফংবদগী স্কুল অদুগী এন্ট্রি-এগজিৎ রেজিষ্টর মাঙখি হায়নসু মহাক্কী ইমুংনা ফোঙদোকখিবনি।

অভয়গী মমা-মপানা হায়বদগী গভর্ণমেন্টনা কুমজা ২০১৮গী এপ্রিলদা সী বি আইবু থিজিনহন্নবা রিকমেন্দ তৌখি। মমৈথংদা সী বি আইনা কেস অসি পায়খি।

সেন্ত্রেল ব্যুরো ওফ ইনভেষ্টিগেসন লক্ষনৌগী স্পেসল ক্রাইম ব্রাঞ্চ য়ুনিটনা মশক খঙদবা মীওইশিংগী মায়োক্তা মী হাৎপা অমসুং ইভিদেন্স মাঙহন্নবা হোৎনবগী মরালশিংদা অনৌবা এফ আই আর অমা রেজিষ্টর তৌরে।

কেস অদুবু থিজিনবগী থবক থুনা হৌরগনি হায়না সী বি আই ওফিসলশিংনা ফোঙদোকখি। কেস অদুবু থিজিনখিবা গৌরিগঞ্জ পুলিসনা মেসেজ অমদা য়ুমফম ওইরগা মদু সুইসাইদনি হায়না ক্লেইম তৌখি। অভয়গী ফোনদা য়াওবা রোমান স্ক্রিপ শীজিন্নরগা হিন্দি লোনদা ইবা মেসেজ অদুদা - ঐহাক লাই লৈ নৎত্রগা লৈতে হায়বসি খঙবা য়াম্না পামই হায়না পনখি।

# নমথাক্কী কেসকা মরী লৈননা এসেটশিং ফাজিনখ্রে

ন্যু দিল্লী, জুলাই ২৮ (এজেন্সী):
সিন্দিকেট বেঙ্ককা মরী লৈনবা নমথাক্কী কেস অমগা মরী লৈননা এনফোর্সমেন্ট দিরেক্টোরেট (ঈ দি)না লুপা ক্রোর ৪.৯৮গী ওইগদবা প্রোপর্টিশিং ফাজিল্লে হায়না দিরেক্টোরেট অসিনা য়ুমশকৈশা নুমিৎতা ফোঙদোরক্লি।

ঈ দিগী ষ্টেটমেন্ট অমনা হায়, ফাইনান্সিএল প্রোব এজেন্সী অসিনা প্রিভেন্সন ওফ মনি লোন্দরিং এক্ট (পি এম এল এ)গী মখাদা প্রোপর্টিশিং অদু ফাজিনখিবনি।

কর্নাটাকাগী কেপিটেল বেঙ্গলুরুদা লৈবা কম্মর্সিএল ষ্ট্রিট পুলিস ষ্টেসননা ফাইল তৌখিবা এফ আই আরদা য়ুম্ফম ওইরগা ঈ দিনা মনি লোন্দরিংগী কেস অমা অকাশ, মুস্তাফা, জয়রাম হায়রিবা সিন্দিকেট বেঙ্ককী বেঙ্গলুরুদা লৈবা উট্টরাহল্লি ব্রাঞ্চতা থবক তৌবা মকোক থোংবা ওফিসলশিং অসিগী মায়োক্তা লৌখৎখিবনি। প্রোব অদুদা কন্সপিরেসি অদুবু মাষ্টরমাইন্দ তৌখিবা অকাশ, জয়রাম, নগরজু, রেভেন্না অমসুং অতৈশিংনা কর্নাটাকা ষ্টেট এগ্রিকলচরেল মার্কেটিং বোর্দ (কে এস এ এম বি)গী মিংদা সিন্দিকেট বেঙ্কতা ফেক করেন্ট একাউন্ট অমা হাংখি। একাউন্ট অদু মুস্তাফানা কে এস এ এম বিগী একাউন্ট ওফিসর শারগা ওপরেট তৌখি। একাউন্ট অদু হাংবদা শেমজিন-শাজিনবা দোক্যুমেন্ট কয়া শীজিন্নখি।

# এক্স মিনিষ্টর কিদনেপ তৌবদা চেন্নবা ক্রিমিনেল ২ ফারে



বেঙ্গলুরু, জুলাই ২৮ (এজেন্সী):
বেঙ্গলুরু পুলিসনা য়ুমশকৈশগী অঙনবদা নোংমৈ কাপ্তুনা শাথিরবা ক্রিমিনেল অনী ফাখ্রে।

মখোয় অনী এম এল এ ওইরম্বা অমা কিদনেপ তৌবগী কেস অমদি বিজিনেসমেন অমা হাৎপগা মরী লৈননা পুলিসনা ফানবা হোৎনরকখিবা ক্রিমিনেলশিংনি।

পুলিসকী মতুংইন্না, এক্যুজশিং অদুদি টামিল নাদুদগী হৌরকখিবা ক্রিমিনেল কভিরাজ অমসুং মহাক্কা থবক তৌমিন্নবা অমা ওইরিবা অমারেশ, লৈফম্না বেঙ্গলুরুনি। বেঙ্গলুরুগী ব্যাপ্পনাহল্লিদা লৈবা মখোয়গী লোৎফমদগী চেন্নবা হোৎনরকপদগী পুলিসনা মখোয়গী খুউশিংদা নোংমৈনা কাপখি।

পুলিসনা মখা তানা ফোঙদোরকপদা, মীওই অনী অসিনা মখোয়বু ফাবা লাক্লিবা সার্চ টিম অদুদা নোংমৈ কাপ্লকখি। ক্রিমিনেলশিং অমবু ওভরপাৱর তৌনবা ইন্দ্রনগর পুলিসকী ইন্সপেক্টর হরিশ অমসুং এসিষ্টেন্ট কম্মিস্নর ওফ পুলিস (হলাসুরু দিভিজন) কুমারনা মখোঙদা নোংমৈ কাপখি। নোংমৈনা পান্দুনা শোক্লবা ক্রিমিনেলশিং অদু ট্রিটমেন্ট তৌনবা হোস্পিটালদা পুখি।

পুলিসকী মতুং ইন্না ক্রিমিনেলশিং অসি বেঙ্গলুরু বেজ রিএল্টর অমা হাৎখিবা থৌদোক্কা মরী লৈননসু পুলিসনা ফানবা হোৎনরনখি।

হৌখিবা জুলাই ৫দা কভিরাজনা লুচিংবা ক্রিমিনেল গেং কাংবু অমনা বিজিনেসমেন বিজয়কুমারবু রেন্সম লুপা লাখ ৪৮ লৌরবা মতুংদা হাৎখি। মহাক লম অমা য়োনগনি হায়জিল্লগা কৌরবা মতুংদা হাৎখিবনি।

গেং অসিনা হৌখিবা চহীগী নভেম্বরদা কোলারগা নক্লবা মফম অমদগী এক্স-মিনিষ্টর ভারথরু প্রকাশ কিদনেপ তৌখিবদসু চেন্নখি।

পুলিসনা কভিরাজবু কুমজা ২০২০গী দিসেম্বরদা ফাখি অমসুং জেলদা থাজিনখি। তৌইগুম্বসুং বেলদা থোক্লক্লবা মতুং মহাক্কী গেং অদু অমুক হন্না এক্টিভ ওইরকখি। মখোয়না ইন্দিরানগরদগী রিএল্টর বিজয়কুমারবু হোসুরদা হাৎখি।

# ট্রকনা বসতা থোম্বদা মীওই ১৮ শিরে

বারাবঙ্কি, জুলাই ২৮ (এজেন্সী):
হৌখিবা লৈবাকপোকপা অমসুং য়ুমশকৈশগী লোন্নবা অহিংদা উত্তর প্রদেশকী বারাবঙ্কিগী মনুং চনবা রাম সনেহি ঘাট মনাক্তা খামদুনা লৈবা বস অমদা ট্রক অমনা থোমজিনবদগী য়ামদ্রবদা মীওই ১৮ শিখ্রে।

এদিসনেল দিরেক্টর জেনরেল (এ দি জি), লক্ষনৌ জোন সত্যনরায়ন সাবটকী মতুংইন্না এক্সিদেন্ট অদুদা শোক্লবা মীওই ১৮ হোস্পিটালাইজ তৌখি। বস মনুংদা য়াওরিবা হকচাংশিং লৌথোক্লবগী রেস্ক্যু ওপরেসন চত্থরি হায়নসু এ দি জিনা ফোঙদোকখি। দবল দেক্কর বস অদু হরয়ানাদগী বিহার তম্না লাকপনি। বস অসিনা লম্বীগী নাকলদা খামদুনা লৈরিঙৈদা এক্সিদেন্ট অদু থোকখিবনি।

## THE KEISHAMTHONG THANGJAM LEIRAK YOUTH'S CLUB (KEITHYC)

অৱাবা ফোঙদোকচবা



হৌখিবা তাং ২৬/৭/২১, নিংথৌকাবা নুমীৎতা ক্লব অসিগী Well Wisher ওইনা লৈবিরম্বা শ্রী হৈস্নাম ব্রজমনি সিংহ (চান্দ) না ইখঙ খঙহৌদনা মনুং মতম চাদনা লৈখিদবদা নুংঙাইতবা ফোঙদোকচরি।

HL-P/6366/29 — Sd/- President, K.E.I.T.H.Y.C.

## শোরাংকী পাউজেল



পুর্ব্বাশ্রমদা ঐখোয় খ্বাইবু কোনবিরম্বা **শ্রীনোংথোঙ্গবম চাওবা সিংহ**-না ইমুং-মনুং, শাগৈ-নাতৈ অমদি খ্বাই পুন্নমকপু থাদোক্লম্লগা, হৌখিবা তাং ১৯/০৭/২০২১ ইং, ইঙেনগী ১০ নি পানবা নিংথৌকাবা নুমীৎতা শ্রীগুরুগী কৃপাদগী **শ্রীগৌরাঙ্গা দাস** হায়বা নাম ফংজদুনা বৃন্দাবন প্রাপ্তি ওইখ্রে।

লাক্লিবা তাং ২৪/০৭/২০২১ ইং, ইঙেনগী ১৫নি পানবা থাংজ নুমীৎতা লৈখিদ্রবগী অস্থি-সঞ্চয় লৌখৎচরগা, তাং ১/০৮/২০২১ ইং, ইঙেনগী ২৩ নি পানবা নোংমাইজিং নুমীৎতা শ্রাদ্ধ দিন থোক্লে। নুমীৎ অসিদা লৈখিদ্রবগী আত্মা-শান্তিগীদমক ঙমজবা বস্তূ খরদং হরি-সঙ্কীর্ত্তণগা লোয়ননা শ্রীশ্রীগৌরচন্দ্রায় মহা প্রভুগী চরন্দা কচ্চগদৌরি।

**থৌরম অসি হৌজিক লৈবাক্কী ওইরিবা কোভিদ-১৯গী ফীভম্না মরম ওইদুনা ইমুং-মনুং খক্তনা ঈশ্বরগী থৌরম পাঙথোকচরগনি।**

**বিনিতগণ ঃ-**

**শ্রীমতি নোংথোঙ্গবম ওংবী বিনোদিনি দেবী (সহধর্ম্মীনি)**

১। নোংথোঙ্গবম নিঙোল লাইশ্রম ওংবী তানু দেবী (মচানুপী)
২। নোংথোঙ্গবম নিঙোল ওইনাম ওংবী সরদা দেবী (মচানুপী)
১। নোংথোঙ্গবম ওপেন্দ্রো সিংহ (মচানুপা)
২। নোংথোঙ্গবম নোরেন সিংহ (মচানুপা)
৩। নোংথোঙ্গবম চিত্রাসেন সিংহ (মচানুপা)

থৌরম পরেং:-
অয়ূক পুং ০৮:০০ - সঙ্কীর্ত্তণ হৌবা
অয়ূক পুং ১০:০০ - লুপ কৎপা
অয়ূক পুং ১১:০০ - থৌরম লোইশিঞ্জগনি

**হৈঙাং ময়াই লৈকাই, ইম্ফাল ইষ্ট।।**

HL-P/6364/29

## নুংশং ওপরেসন তৌদনা ফহল্লসি



Naorem Ibomcha

নুংশংগা মরী লৈনবা লাইওং খূদিংমক :- অমাংথোঙ নাম্থবা, পোম্বা-তঙবা, চেখাইবা, ঈ তাবা, খোঙ হাম্বা য়াদবা, হাক্কৎচবা, নাই চারগা পোম্বা, অদুগা মখুল হুৎলকপা (ফেসতুলা), মচুম তাবা, ঈ অমাংবদা তৈরকপা, ঈ দ্রোপ-দ্রোপ তাবা, ঈ পেচকারিদৌনা কাপ্পা, মনুংদা পোম্বা (হেমোরোইদ), মনুংদা চাথৎপা, নাকল অমা চোন্থরকপা, মনুংদগী মতুম ওইনা ইন্থরকপা, চিকপা-শাবা, মপান অকোয়বা থাগৎপা, ফ্রা-ফ্রা লাওনা ইন্থরকপা, অমাংবা চেপ্পগা লাকপা, সনারৈ অথোনবদৌনা শাৎতোকপা, অরোয়বা তাঙ্কক হায়বদি খূৎনা ইনশিনবা, চঙদ্রবা (পদ্রাক-পদ্রাক তারবা) অমদি ওপরেসন তৌরুরগা অমুক হৌরকপা হায়রিবা লাইওংশিং অসি ওপরেসন তৌদনা য়াম্না লায়বা মওংদা ফহনবা ঙমজরে। মরম অদুনা মীয়ামগী লায়েংনবগী খূদোংচাবা থমজরি।

লায়েংজরিবা - **Naorem Ibomcha Meitei**
Heingang Awang Leikai Saya Club
Contact No. 6009147645/8014023792

HL-B/7035/15/7-15/9

## BOARD OF SECONDARY EDUCATION MANIPUR

## / CONDOLENCE MEETING

Imphal, the 26th July, 2021



**No.G/17/2/2008/** : Shri Laishram Sadananda Singh, S/O Late Dr. L. Kirty Singh, an inhabitant of Singjamei Mathak Chongtham Leirak, Imphal West expired on 25/07/2021 (Sunday) at 10:15 a.m. He was a member of Board of Secondary Education, Manipur (BSEM) for 4 (four) terms viz. 1995-1996, 1998-1999, 2016-2017 and 2019-2021. A Condolence meeting was held on 26/07/2021 at 1:00 p.m. in the meeting hall of the BSEM. All the employees of the Board expressed deep shock at his sudden demise and shared the grief and sorrow of the bereaved family. The employees of the BSEM observed two minutes silence in honour of Late Shri Laishram Sadananda Singh and prayed for eternal peace for the departed soul.

Sd/- **Dr. S. Mangijao Singh**
Secretary

HL-P/6365/29

# কোভিদ-১৯না খ্বাইদগী হেন্না শোকহল্লবা ষ্টেটশিং

| Location | Cases | Recovered | Deaths |
|---|---|---|---|
| **Manipur** | **94,821 +1,165** | **82,521 +876** | **1,498 +11** |
| Maharashtra | 62.8L +6,258 | 60.6L +12,645 | 1.32L +254 |
| Kerala | 33.1L +22,129 | 31.4L +13,415 | 16,326 +156 |
| Karnataka | 29L +1,501 | 28.4L +2,039 | 36,437 +32 |
| Tamil Nadu | 25.5L +1,767 | 25L +2,312 | 33,966 +29 |
| Andhra Pradesh | 19.6L +1,540 | 19.2L +2,304 | 13,292 +19 |
| Uttar Pradesh | 17.1L +18 | 16.8L +73 | 22,754 +4 |
| West Bengal | 15.2L +662 | 15L +838 | 18,095 +10 |
| Delhi | 14.4L +77 | 14.1L +42 | 25,046 +2 |
| Chhattisgarh | 10L +128 | 9.86L +254 | 13,519 +2 |
| Odisha | 9.71L +1,629 | 9.49L +1,969 | 5,634 +60 |
| Rajasthan | 9.54L +15 | 9.44L +34 | 8,953 +1 |
| Gujarat | 8.25L +30 | 8.14L +57 | 10,076 |
| Madhya Pradesh | 7.92L +11 | 7.81L +13 | 10,512 |
| Haryana | 7.7L +26 | 7.59L +34 | 9,624 +2 |
| Bihar | 7.25L +67 | 7.14L +51 | 9,639 |
| Telangana | 6.42L +645 | 6.29L +729 | 3,791 +4 |
| Punjab | 5.99L +42 | 5.82L +93 | 16,281 +3 |
| Assam | 5.61L +1,436 | 5.41L +1,312 | 5,180 +18 |
| Jharkhand | 3.47L +39 | 3.42L +37 | 5,125 +1 |
| Uttarakhand | 3.42L +96 | 3.34L +73 | 7,361 +2 |
| Jammu and Kashmir | 3.21L +107 | 3.15L +183 | 4,375 |
| Himachal Pradesh | 2.05L +183 | 2.01L +116 | 3,518 +2 |
| Goa | 1.71L +148 | 1.66L +151 | 3,140 +4 |
| Puducherry | 1.21L +113 | 1.18L +98 | 1,791 +1 |
| Tripura | 77,412 +415 | 72,910 +344 | 748 +1 |
| Meghalaya | 62,473 +710 | 56,101 +453 | 1,040 +9 |
| Chandigarh | 61,938 +7 | 61,092 +6 | 809 |
| Arunachal Pradesh | 46,800 +443 | 42,292 +472 | 221 +3 |
| Mizoram | 35,297 +1,845 | 24,233 +422 | 140 +3 |
| Nagaland | 27,472 +110 | 25,606 +45 | 550 +5 |
| Sikkim | 25,616 +277 | 22,208 +170 | 333 +2 |
| Ladakh | 20,314 +5 | 20,037 +5 | 207 |
| Lakshadweep | 10,149 +8 | 10,018 +8 | 49 |
| Andaman and Nicobar Islands | 7,530 | 7,389 +2 | 129 |